# দাংমৈ গ্রেসকী পাঞ্জল অনীগী মতেংনা মণিপুরগী ক্রিপসা ফুটবোল ক্লবনা কর্নাটকাগী কিকস্টার্ট এফ সিবু ৪-০দা থোইখ্রে



বেঙ্গালুরু, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরু সিটিদা ঙসিদগী হৌখিবা ৪শুবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'এ'গী অহানবা মেচতা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ক্রিপসা (কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন-এফ সি)না য়ুম্বু ক্লব কিকস্টার্ট এফ সিগা শান্নবদা দাংমৈ গ্রেসকী পাঞ্জল ২না মপুং ওইরগা ক্রিপসানা মেচ অদু ৪-০দা থোইখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী মেচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা ক্রিপসাগী শান্নরোয়শিং অদুনা খুদুম চন্দুনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। মেচকী ১৪শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী মায়কৈদগী দাংমৈ গ্রেসনা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকখি।

মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং ইকুই কুইদ্রিঙৈ ১৯শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় অঞ্জু তমাংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা কিকস্টার্ট এফ সিবু পাঞ্জল ২-০দা ঙন্না মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ১০ রোমতা ঙাইরবা মতমদা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবী ক্রিপসাগী দাংমৈ গ্রেসনা ৩৫শুবা মিনট অদুদা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ক্রিপসানা কিকস্টার্ট এফ সিবু পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুদসু ঙসিগী মেচ অদুগী য়ুম্বু ওইখিবা কিকস্টার্ট এফ সিগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিদে। মদুগী খুদোংচাবা লৌরদুনা অহানবা হাফতা দোমিনেট তৌখিবা ক্রিপসা এফ সিনা মখা তানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী মায়কৈদগী নোংমাইথেম রতনবালানা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল চন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল য়াম্না তেনশিনখি। মখা তাবা মেচকী লেমহৌবা পুংখাইরোমগী মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী ক্রিপসানা ৪-০দা থোইখি। ঙসি গ্রুপু অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা টামিল নাদুগী ক্লব সেথু এফ সিনা মহারাষ্ট্রগী ক্লব কোলাপুর সিটিবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙগী চহীদা সেথু এফ সিনা ফাইনেলদা মণিপুরগী ক্লব এম পি এস সি (মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লব)পু মায়থীবা পীখিবনি। মদুগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা অহানবা এদিসনদা মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা টাইটল লৌখি। মদুগী মতুং ২শুবা এদিসনদা ওরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্টস ক্লবনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২০

# ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল, ত্রাও ক্বাকৈথেল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ, ওরিয়েন্টেল কোলেজ/মোদেল হায়র সেকেন্দরি শান্নবুংদা চথরিবা অনীশুবা এম এন সী এ য়ু-১৬ বোইজ নাওরেম রাজ নিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা পি টি আর সী পাৎশোইবু ৱিকেট ৪দা অদুগা ত্রাও ক্বাকৈথেলনা কে সী দি ও কোংপালবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেচ মোদেল হায়র সেকেন্দরি/ওরিয়েন্টেল কোলেজ শান্নবুংদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং পি টি আর সী পাৎশোই লম্বা তৌনখি। মেচ অসি ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং খনখি।

অহানবা ইন্নিংসতা পি টি আর সী পাৎশোইনা বেট্টিং তৌবদা নোংদম্বনা রন ১৬, জয়রাজনা রন ১৩, প্রিতমনা রন ৯, রাহুল শর্ম্মানা রন ৫, রোহিট শর্ম্মানা রন ৩, জেতিননা রন ৩ অমদি মোর্দে কায়না রন ৩ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা বোল্লিং তৌবদা অলবার্টনা ৱিকেট ৩, বাসুনা ৱিকেট ২, সেরাম রোবিনসন্না ৱিকেট ১, সৌবাম রোবিনসননা ৱিকেট ১, মনিকান্তনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ১৬ মায়োক্লবদা ৱিকেট ৬ তুরগা পি টি আর সীনা থমখিবা টার্গেট ৬৯ অদু লৌদুনা মায় পাকখি। ৱাই দব্লিয়ু সীগী রনশিং অদু ঐচ বাসুনা রন ২৩, রোবিনসননা রন ২২, সেরাম রোবিনসননা রন ৯ লৌবা ঙমখি।

পি টি আর সীগী অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌবদা জোতিননা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙমখি।

হয়েং লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা আর সী এ অমসুং ক্রাও লম্বা তৌনগনি। মোদেল/ওরিয়েন্টে গ্রাউন্দদা ওস্কার অমসুং সাইক্লোন লম্বা তৌনগনি।

# ত্রাও এফ সীগী মরিশুবা হোম মেচতা আইজোল এফ সীগা ঙসি লম্বা তৌনরগনি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): ত্রাও এফ সীগী মরিশুবা হোম মেচ ওইনা হয়েং আইজোল এফ সীগা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা লম্বা তৌনরগনি।

হয়েংগী মেচ অসিগী মাঙওইননা ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাউ মীশিংগা উনখিবদা ত্রাওগী কোচ দিমিত্রসনা ফোঙদোকখিবদা ত্রাও এফ সীনা মমাঙদা ইন্দিয়ন এরোজপু ২-০দা মায়থীবা পীখি। লোয়ননা গোৱাগী ফুটবোল ক্লব চর্চিল ব্রদর্সপু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা চথরিবা হিরো আই লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ১১ ফংদুনা ৩শুবা থাক্তা লৈবা ঙমখিবনি। মমাঙগী মেচ অনী মায় পাকপা ঙমখিবা অদুনা শান্নরোয়শিংগী থৌনা হেন্না হাপ্তুনা অমদি দিসিপ্লিন হেন্না লৈনা শান্নবা ঙম্বগী ইনোৎ অমা পীখি।

কোচ অসিনা মখা তাখিবদা আইজোল এফ সী য়াম্না অফবা ওর্গনাইজ তৌরবা টিম অমনি। আইজোল এফ সীগী টিম অসি শেল থাদবগী মতাংদা ত্রাও এফ সীগা য়েংনরুবদা শরুক ৫ হেন্না শেল থাদবা ঙম্বা টিম অমা ওইরি। হয়েংগী মেচ অসি ত্রাওগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা মেচ অমা ওইগনি। অদুবু টিম অসিগী শান্নরোয়শিংনা থৌনা ফনা শান্নরক্তুনা মায় পাক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা অমদি লৈরি।

আইজোল এফ সীগী হেদ কোচ ষ্টানিল রোজারিনানা ফোঙদোকখিবদা আইজোল এফ সীনা মিজোরাম ষ্টেট টিমগা লম্বা তৌবদা মায় পাকখি। মহাক্কী টিম হৌজিক হৌজিক শান্নরোয়শিংগী ৱাখলদা থাজবা হেন্না লৈদুনা মখা তাবা মেচশিং শোয়দনা মায় পাক্কনি খল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

হয়েং ত্রাও এফ সীগা শান্নগদৌরিবা মেচ অসি শোয়দনা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংগনি হায়নসু থাজবা ফোঙদোকখি।

ত্রাও এফ সী লীগ অসিগী হৌরকপদা শোথনা হৌরকখি। অদুবু কোচ দিমিত্রসকী লমজিং মখাদা য়াম্না ওর্গনাইজ তৌদুনা শান্নরকপদগী টেবলগী অহুমশুবদা লৈরকপদা অঙকপা ফাওই। হয়েংগী মেচ অসি য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইবনা আইজোল এফ সীগী মায়কৈদগীসু শান্নরোয়শিংনা নিংথিজনা শান্নগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

## অপাবী মেমোরিএল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা নহাকপম অপাবী মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই দব্লিয়ু সীনা এস ৱাই দি এবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ঐচ নাওবনা পাঞ্জল অনী অদুগা রোহিটনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা এস ৱাই দি এগী পাঞ্জল অদুনা এম দি সোহেলনা চনখি।

## শওম্বুং ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): শওম্বুং ষ্টুদেন্টস ক্লবনা শীন্দুনা এস এস সী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৩শুবা ইন্টর শওম্বুং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এ এন এন এলকেনা এস এস সীবু পাঞ্জল ৩-১দা, এস কে ৱাই সীনা ৱাই এস সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা মায় পাক্লবা এ এন এন এলকেগী পাঞ্জলশিং অদু অকাশনা পাঞ্জল অনী অদুগা মায়থীহৌরবা কে ঐচ রনবিরনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা এস এস সী (বি) গী পাঞ্জলনা সনাথোইনা চনখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা মায় পাক্লবা ৱাই এস সীগী পাঞ্জল অদুনা সী ঐচ থিওফৈলুস জর্সি নম্বর ৭না চনখি।

৩শুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০

# ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল, অল অমিন লিলোং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৩শুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা পি টি সী সী পাৎশোইবু রন ৬৯দা অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা অল অমিন লিলোংনা ঈ এস য়ু ৱাংখৈবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং পি টি সী সী পাৎশোই লম্বা তৌনখি। মেচ অসি ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং তৌখি। ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌবদা ওভর ২০ মায়োক্লবদা ওল আউট ওইদুনা রন ১৩৯ লৌবা ঙমখি। রনশিং অদু প্রফুলোমনিনা বোল ৩২ মায়োক্লবদা রন ৪০, বিক্রমজিৎনা বোল ২১ মায়োক্লবদা রন ২৪, বিশ্বাশনা বোল ১৭ মায়োক্লবদা রন ২২ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা পি টি সী সীনা বোল্লিং তৌবদা সোহেলনা ৱিকেট ৩, সদানন্দনা ৱিকেট ২, কেনজিৎনা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা পি টি সী সীনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ১৫ মায়োক্লবদা ওল আউট ওইদুনা রন ৭০ খক লৌদুনা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী মখূৎতা রন ৬৯দা মায়থীবা নংখি। রনশিং অদু হেমচান্দনা বোল ২৯ মায়োক্লবদা রন ৩২, চেম্পিয়ননা বোল ২০ মায়োক্লবদা রন ৮, কেনজিৎনা বোল ৬ মায়োক্লবদা রন ৭ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট ৪, দিনচন্দ্রনা ৱিকেট ৩, সুনিলনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি। মেন ওফ দি মেচ ৱাই দব্লিয়ু সীগী প্লেয়র প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা অল অমিন অমসুং ঈ এস য়ু লম্বা তৌনখি। অহানবা ইন্নিংসতা অল-অমিননা টোস ঙমদুনা বেট্টিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা অল-অমিননা বেট্টিং তৌবদা ওভর ২০ মায়োক্লবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪০ লৌবা ঙমখি। রনশিং অদু মুষ্টাকনা রন ৩৭, অবদুল্লাহনা রন ৩২, নসিরনা রন ২৮ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা ঈ এস য়ুনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ১৭.৫ মায়োক্লবদা ওলআউট ওইদুনা রন ৯৬ লৌবা ঙমখি। রনশিং অদু শঙ্করনা রন ২২, মেহুলনা রন ১৩, হেনরিনা রন ১৩ লৌবা ঙমখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা অল অমিননা বোল্লিং তৌবদা নৌসাদনা ৱিকেট ৪, অবদুল্লাহনা ৱিকেট ২, নাজামুটনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি। মেন ওফ দি মেচনা অল অমিনগী নৌসাদনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা তাখি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দদা টি সী এম দি সী থোংজু অমসুং কে এস দি ও ক্যামগৈ লম্বা তৌনগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা পি টি আর সী পাৎশোই অমসুং সঙাই শিংজমৈ লম্বা তৌনগনি।

# ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিএসনগী শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): এলাহাবাদকী প্রয়াগরাজ, খেল গাওন, নেসনল স্পোর্টস একাদেমিদা থা অসিগী ২৯দগী ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা চথগদবা ৫৫শুবা জুনিয়র আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ (এম এ জি এন্দ দব্লিয়ু এ জি) ২০২০দা শরুক য়াগদবা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসনগী শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি খ্বাইরাকপম অর্জুন, অহৈবম নেলবিন, চান্দম বিজেশনি। ৱিমেন্স আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্তা শরুক য়াগদবশিংনা মাথুইহুৱাইলু ববিয়ানা পামে, নিশা শো, হুইরোম জেসিকানি। ওফিসল ওইনা কোচতা য়ূম্নাম রাজেন, মেনেজরদা পাওন্বম অখেলোনি। শান্নরোয়শিং অসি এ জেদ ঈ বাবুদা মেগী ৮দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৯শুবা এফ আইজিএরোবিক জিম্নাষ্টিক ৱর্ল্ডএজ গ্রুপ চেম্পিয়ন্দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌনবা ট্রায়ল সেলেক্সন্দা শরুক য়ানবা খনখ্রে।

## ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): শ্রীশ্রী রাধা গোবিন্দ যোগ সেন্টর উরিপোক্না শীন্দুনা ওল মণিপুর যোগ কলচরেল ফেদরেসনগী মখাদা ইন্টরনেসনল অমেচর গেমসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১১দগী ১৪ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা পাঙথোকখিবা ৭শুবা ইন্টরনেসনল যোগস্না চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ারুবা শান্নরোয় অমসুং পোজিসন লৌরকখিবা যোগস্না প্লেয়রশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি শ্রীশ্রী রাধা গোবিন্দ যোগ সেন্টর উরিপোক, লাইখুরেম্বীদা এল গৌরমনি এদভাইজর, এম তখেল্লে প্রসিদেন্ট অমদি সী ঐচ বিরেন্দ্র এক্স সেক্রেটরিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি গাংমৈ গাইগাঙমৈলু (গোল্ড), টি চোসিনি (গোল্ড), এল বিদ্যালক্সমি (সিলভর), এন তোলৈমা (সিলভর), এম শত্যবতি (ব্রোঞ্জ) অমদি টি ঐচ প্রেমজিৎ (মরিশুবা) নি হায়না সেন্টর অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি কে রমানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

ফর্ষ্ট হৈস্নাম নিলকমল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কে এ এফ এ খোংমন, এস দি সী শমুরৌ, ৱাই আই সী অমদি এন এস ও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): দি এস ইন্টরপ্রাজেসনা শীন্দুনা য়ুথ ইন্টিগ্রেসন ক্লব ৱাই আই সী কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকায়না শীন্দুনা ৱাই আই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ফর্ষ্ট হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল য়ু-৪০ কেজি ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে এ এফ এ খোংমন, এস দি সী শমুরৌ, ৱাই আই সী অমদি এস এস ও মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা কে এ এফ এ খোংমন্না টি এস এফ এ টোপ সিফাইবু পাঞ্জল ৭-০দা মায়থীবা পীখি। কে এ এফ এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু অদিয়ানা পাঞ্জল ৪, রোবার্টসন অমদি প্রদিপনা পাঞ্জল অমমম চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা কে এ এফ এগী অদিয়ানা তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস দি সী শমুরৌনা ৱাই দি এ সী এলাংবম লৈকায়বু পাঞ্জল ৮-০দা মায়থীবা পীখি। এস দি সী শমুরৌগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু বসননা পাঞ্জল ৪, মঙালনা পাঞ্জল ৩, রোনেলনা পাঞ্জল অমা চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা এস দি সীগী বসননা তাখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই আই সীনা ঐচ এল এফ সীবু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখি। ৱাই আই সীগী পাঞ্জলশিং অদু মার্টিননা পাঞ্জল ৫, জেনিশ অমসুং নাওতোম্বনা পাঞ্জল অমমম চনখি। ঐচ এল এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা বান্দমনা চনখি। মেচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেচনা ঐচ জেনিশনা তাখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা এন এস ওনা এন ৱাই কেবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। এন এস ওগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সী ঐচ এদিসন অমদি লোয়াঙম্বনা চনখি। এদিসননা প্লেয়র ওফ দি মেচ তাখি।










Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com